**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-02-2026)**

**ভালতে (এল)ঃ** থানলোন বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. বুংজাগীন ভালতে ঙসি হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা লৈবা মেদান্তা মেদিসিতি হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৬২ শুখ্রে।

মহাক থা অসিগী ৮ দা গুরুগ্রামদা লৈবা মেদান্তা হোস্পিতালদা লায়েংনবগীদমক অখন্নবা এরোপ্লেন অমদা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা থিংনে দাকখিবনি। এম.এল.এ. অসি মনিপুরদা ইং ২০২৩ দা থোকখিবা কাংলুপকী ইরাং অদুদা শোকপদগী দিল্লিদা মতম কুইনা লায়েংলুরবা মতুং চুরাচান্দপুরদা হল্লকখিবনি। মহাক্কী ফিভম শোকচিল্লকপদগী মুখ্য মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা মহাকপু দিল্লিদা লায়েংনবা থাখিবনি। বুংজাগীন ভালতে ইং ২০১২ দা ১০ শুবা মনিপুর বিধান সভাদা কংগ্রেস টিকেৎতগী মায় পাল্লকখি। ইং ২০১৭ অমসুং ২০২২ দা বি.জে.পি. টিকেৎতা মায় পাকখিবনি। মহাক ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস, জি.এ.দি. অমসুং ত্রান্সপোর্টকী মন্ত্রিসু ওইরম্মী।

এম.এল.এ. বুংজাগীন ভালতেনা লৈখিদবদা কেবিনেট মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। অৱাবা ফোংদোকপগী চেরোল অমদা মহাকা হায়-বুংজাগীননা লৈখিদবা অসি থানলোন বিধান সভা কেন্দ্র খক্তগী নত্তনা রাজ্য অসিগী ওইনসু মাংজবা অমনি। মহাকা লুচিংবা অমা ওইনা মহাক্কী কেন্দ্রগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি কেন্দ্র অসিবু চাউখৎনবা থবক কয়া পায়খৎলমখি।

এম.এল.এ. থৌনাওজম বসন্তকুমার, সাপম রঞ্জন, সি.এল.পি. লুচিংবা কৈশাম মেঘাচন্দ্রনচিংবনসু বুংজাগীন ভালতেনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**অমজ্ (এল)ঃ** নহারোলগী থৌদাংগী এদিটর-খোইরোম লোয়ালাকপবু হৌখিবা

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শকখঙদবশিংনা ফুরুম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুর (ই.জি.এম) না ঙসি কৈশাম্পাৎ ইম্ফালদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

শ্রী খোইরোম লোয়ালাকপগী পুন্সিব্ তেমশিন্নবা মানবা মওংদা শকখঙদবশিংনা চত্থরম্বা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা অমজ্গী প্রসিদেন্ট-অশেম ভক্তানা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসি কনানা করিগীদমক চত্থরম্বনো হায়বদু খঙহনবীরকউ। মহাকা হায়-এদিটর নৎত্রেগা কনাগুম্বা পাউমীশিংনা মীয়ামনা পামদবা থবক চত্থরম্বা তারবসু মাংজোননা য়ুনিয়ন নৎত্রগা ই.জি.এমদা খঙহন্দুনা খন্নবগী তঞ্জা অদু পীফম থোকই। থৌওং অদু করিগীদমক চত্থরম্বনো হায়বদু খঙহন্দনা পাউমী অমগী পুন্সিবু শিংনবা অসি তশেংনা য়ানিংদে।

তুংদা, অমজ্ অমসুং ই.জি.এমনা মুখ্য মন্ত্রিদা তোঙান তোঙানবা দাবী মরি য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট মরি পল্লদুনা হায়-অথুবা মতমদা খোইরোম লোয়ালাকপদা চত্থরম্বা থৌওং অদুগা মরী লৈননা এফ.আই.আর. লৌখৎপা, খুদক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা চেন্নবশিং ফাবা, রাজ্য অসিদা মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিং, রিপোর্টরশিং অমদি এদিটরশিং নীংথিজনা ঙাক শেনবীবনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

**সেমিনার (এল)ঃ** থৌবাল কলেজনা ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল সেন্টর ফোর দা আর্টস, রিজনেল সেন্টর-গুৱাহাতিগা খুৎশমদুনা শিনদুনা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি থৌবাল কলেজতা হৌদোকখ্রে।

রিদিং দা কলচরেল লেন্দস্কেপ, টুরিজম, হেরিটেজ এন্দ সোসাইতি ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ৱিট স্পিসিএল রিফরেন্স টু মনিপুর হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা সেমিনার অদুগা মরী লৈননা থৌবাল কলেজগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার এ. নবাচন্দ্রনা মহৈরোইশিংবু লাইরিক খক নত্তনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদসু খঙহনবগী তঙাইফদবা কয়া অদু ফোংদোকখি।

**আয়ুস (এল)ঃ** নোংমগী ওইবা অরোগ্যা সিভির (লেমা লায়েংবগী কেম্প) অমা ঙসি তমেংলোং জিলাগী ইমান্যুয়েল থিওলোজিকেল সেমিনারি চিয়ুলুৱান সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংগী আয়ুস ৱিংনা শিনবা থৌরম অদু নেসনেল আয়ুস মীসন অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ আয়ুসকী মখাদা পাঙথোকপনি। লেমা লায়েংবগী কেম্প অদুদা মীওই ৯০ হেন্না হকচাং চেকঅপ তৌবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

**টিবি (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-যুমাম রোবিতানা সভাপতি ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ফোরম থৌবালগী থবক থৌওংশিং নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদু মরুওইনা ফোরম অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা পাঙথোকপনি হায়রি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-টি.বি. লায়না মুথুৎনবা হোৎনবদা জিলা অসিগী মীপুম খুদিংমক শরুক য়ামীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**থৌবাল (এল)ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালনা শিনদুনা কিহোম মনাদগী শুংবা লং হেন্না ফগৎহন্নবা নুমিৎ তরানি চথুগদবা স্কিল দিবলপমেন্ট ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী কে.ভি.কে থৌবালগী ট্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেন্নিং অদুদা কেন্দ্র অসিগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফারমর প্রদক্সন কম্পানি লিমিটেদকী লৌমী কয়ামরুম শরুক য়ারি।

**এদভাইজর (এল)ঃ** থবক্তগী পোথরবা লেফটনেন্ট জেনরেল-শ্রী এল. নিশিকান্ত সিংহবু মুখ্য মন্ত্রিগী এদভাইজর (কো-ওর্দিনেসন) ওইনা হাপলে।

রাজ্য সরকারগী অন্দর সেক্রেটরি (দি.পি) না থোকপা চেরোল অমগী

মতুং ইন্না শ্রী নিশিকান্তনা ফম অসি চহি অমা পায়গনি। অমরোমদা, ডা: কৃষ্ণনন্দ শামুরাইলাৎপম শর্ম্মবু মুখ্য মন্ত্রিগী এদভাইজর (পোলিসি মেকর) ওইনা খুদক্তগী হাপখ্রে।

শ্রী ওইনাম সুনিল সিংহবুনা মুখ্য মন্ত্রিগী মেদিয়া এদভাইজর ওইনা হাপখ্রে। থা অসিগী ১৭ তা ফমখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

**ককচিং(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসার-ককচিংনা হায়রি-মোটোর ভেহিকলস এক্ট ১৯৮৮ কী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওইশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী অয়াবা য়াওদনা গাড়িশিং শেমদোক শাদোকপা য়ারোই।

চেরোল অমদা ত্রান্সপোর্ট ওফিসারনা হায়-রোড সেফতিগী চৎন-কাংলোন য়াওদবা, মখোন কা হেন্না থোকপা অমসুং ইয়ার পোলুসন থোকহনবা গাড়িশিং মীয়াম তিনবা মফমদা থৌবা য়ারোই হায়রি। হায়রিবশিং অসি ইন্দবা গাড়ি মপুশিং আইনগী মতুং ইন্না দন্দি ফংগনি।

**এদুকেসন (এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া ইন্দিয়ান মিলিটরি কলেজ, ধেরাদুনদা মিং চন্নবগীদমক এন্ত্রান্স পরিক্ষা চহি অসিগী জন্ তরেৎতা রাম লাল পোল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্লগনি।

এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ক্লাস সভেন পাস তৌরবা নৎত্রগা ক্লাস আইট তম্লিবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিং মশাগী চহি ইং ২০২৭ কী জানুৱারী অমা ফাওবদা চহি ১১ মখায়দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনা পরিক্ষা অসি থাবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল এদুকেসন (এস) কী ৱেব সাইটতগী নৎত্রগা লমফেলপাৎতা লৈবা মসিগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি।

**শগোলবন্দ (এল)ঃ** এম.এল.এ. আর.কে. ইমো সিংহনা শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তা নৌনা শাগদবা রাধা মন্দব হোলগী যাত্রা ঙসি হুনখ্রে।

এম.এল.এনা অসিগুম্বা মান্দব অনি মমাংদা অমুদোন অমসুং সলাম লৈকাইদা শাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌরাং অসিনা মীয়ামগী থৌদোক ৱাথোক থোরকপা মতমদা মফম লৈতবগী অৱাবা মায়োকরম্বা অদু খরদং ওইরবসু কোকহনবা ঙম্লগনি।

**সিপিআই (এল)ঃ** ইন্দিয়া লিটরেরি টুরগী শরুক অমা ওইনা কোরিয়ান লিটরেচর ফেষ্টিবেল হয়েংদগী ইম্ফালগী হারভেজ কেফেদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কোরিয়াগী অইবশিং অমদি মনিপুরগী অইবা, অইবীশিংনা শরুক য়াগনি।

**বিজেপি(এল)ঃ** ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা চখ্থরিবা গ্লোবেল এ.আই. সমিটতা ইন্দিয়া য়ুথ কংগ্রেসকী কর্মিশিংনা খোঙজং কয়া চংশিনদুনা প্রধান মন্ত্রিগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখিবা অদুবু বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

দল অসিগী মচিন চৎপা মীশক-মোইরাংথেম অশ্বিনিকুমারনা হায়-মীফম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবগী মীহুৎশিংনা মীফম অসিদা শরুক য়ারি। অসিগুম্বা তঞ্জা অসিদা কংগ্রেস দলনা চখ্থরকখিবা থৌওং অসি ভারতপু মিংচৎ থিনবা হোৎনবনি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩১ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং

ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**গৃহঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-শান্তিগী একোর্ড ২১ সহি তৌনদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু চাউখৎপা লমদম অমা ওহল্লি। মহাকা হায়-লমদম অসিগী নহা লিশিং ১১ হেন্না মহৌশাগী ঈচেলদা হলহল্লকখ্রে।

ত্রিপুরাদা গৃহ মন্ত্রিনা জোইন্ট রিজনেল ওফিসিএল লেঙ্গোইজ কনফরেন্স হৌদোক্লদুনা হায়-লমদম অসিগী মীয়ামদা হৌখিবা চহি তরা অসিদা হিন্দি লোলবু চৎনহন্নবা অরানবা কেম্পেইন কয়া চথরম্বা অদ্ সরকার অসিনা চৎনহনখিদ্রে। মহাকা হায়-হিন্দি অমসুং লমদম অসিদা ঙাংনরিবা লোলশিং অসি মমা অমত্তগী মচানুপী অনিনি। করিগুম্বা হিন্দি চাউখৎহনগে হায়রবদি অতোপ্পা লোল অদুসু চাউখৎহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-হিন্দি অমসুং লমদম অসিদা ঙাংনরিবা লোলশিংগী মরক্তা কৈদৌনুংদসু য়েৎনবা লৈরোই।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি অসামগী কছার জিলাগী ভারত-বঙ্গলাদেস ঙমখৈ পরিংগী কাতিগারা লমদমদা ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম টু পোইন্ট জিরো হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মফমশিং চাউখৎনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মহাকা হায়-অসিগুম্বা থৌরম অসি রাজ্য ১৭ কী খুঙ্গং লিশিং ১,৯৫৪ অমসুং ব্লোক ৩৪ অমদি অসামগী ঙমখৈ খুঙ্গং ১৪০ দা পাঙথোক্কনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ভারত পাকিস্তান ঙমখৈ পরিংগী খুঙ্গং লিশিং অনি হেনবগী ব্লোক ৩৩৪ দা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌরে। আইন কায়বা মওংদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা অসি অসামগী খ্বাইদগী অচৌবা সমস্যা অমা ওইরি হায়রদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-আইন কায়না চংল্লকপা মীওইশিংনা খুঙ্গং কয়া লৌশিনদুনা লৈরে। মহাকা হায়-বি.জে.পি. সরকার অসিনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা অকনবা থবক পায়খৎলি। মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মগী লুচিং মখাদা অসামদা আইন কায়না লম খোপচিল্লস্বশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অসামবু লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা ঈচাউ থোক্তবা রাজ্য অমা ওইহনবা হায়বসি বি.জে.পি. সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা লম্বী থোং, লম কোইফমশিং অমদি টেরোরিজম থেংননবা থবক কয়া শিংথানিংঙাই ওইনা পায়খৎলে। হৌখিবা চহি তরা অসিদা অসাম চাউখৎনবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লাখ ১৫ থাদখি।

**সমিটঃ** ন্যু দিল্লিদা চত্থরিবা ইন্দিয়া এ.আই. ইমপেক্ট সমিটতা ভারত অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পেক্স সিলিকা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখ্রে। য়ান্ন-ৱারোল অসিনা মরুওইবা খোনি, সেমি কন্দক্টর, আর্টিফিসিএল ইর্ন্টিলিজেন্স স্পেস অমদি মপাঙ্গল লৈবা মালেমগী ওইবা সেলিকোন অমসুং টেকোলোজি ইকো সিষ্টেম পায়খৎনবা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি।

য়ান্ন-ৱারোল অদু সহি তৌনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-ভারতকী মংলানগী সেমি কন্দক্টর অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্স ইন্দষ্ট্রিগী লমদা ভারতনা লুচিংবা অমগী দায়ত্ব লৌবা অদুনি। মহাকা হায়-ভারতকী হৈ শিংলবা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা খ্বাইদগী মরুওইবা অমসুং চাউখৎলবা নেনোমিটর চীফ অনি শেমগৎলি। মহাকা হায়-য়ুনিভরসিতি অমসুং কলেজ ৩১৫ গী মহৈরোইশিংনা

তোঙান তোঙানবা চাফশিং শেমগৎলি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিগী সেভা তিরথাদা এ.আইগী চীফ ইগজ্‌কিটিব ওফিসারশিং অমসুং দিপটেক স্তার্টঅপশিংগী রাউন্দ টেবল মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৌউ শিংউ, অকোইবগী খল ঙাক্তনা থমবা, অৱাবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বদা ইমা লোল চাউখৎহন্নবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা এ.আই. টেকোলোজি শিজিন্নবগী ৱাফমশিং পুখৎখি। শ্রী মোদিনা মপাঙ্গল লৈবা দেটা গভরনান্স অমদি অরানবা পাউদগী ঙাকথোকবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া পুখৎখি।

**পোলো ঃ** অসাম রাইফলস ৱিমেন্স পোলো টিমনা মরিশুবা চিতা মোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপকী মপু ওইখ্রে।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা টিম মঙানা শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা অসাম রাইফলস ৱিমেন্স পোলো টিমনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবপু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্রাউ-খমনাম বজারনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু ৱিকেট অহুমদা থোইখ্রে।

থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-ট্রাউ ক্বাকৈথেলনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালবু ৱিকেট অহুমদা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ৩ শুবা টি. ক্যু.সি. ট্রোফি ২০২৬ লেট ইরেংবম বিরলাল

মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-থোকচোম জোয়লারিনা খাঙবোকনা ফ্রেন্দসিপ ক্রিকেট-ৱাবগাইবু রন-৪৪ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-মিলন এফ.এ. অমদি ফুটবোল ক্লব কুন্বী মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা-মীলন এফ.এনা ইম্ফাল এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা, ফুটবোল ক্লব কুন্বীনা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ এদলটস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব অমসুং রাহি য়ু.সি. পাঞ্জল অমমম চন্দুনা দ্রো ওইখি।